**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-08.2024)**

**লোল (এল)ঃ** মণিপুরি লোলনা ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা ঙসি ৩৩ শুবা মণিপুরী লোলগী নুমিৎ পালন পাক চাউনা পাঙথোকরি। মপুং ওইবা থৌরম রাজ্য সরকারনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিগী পেলেস ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখি।

মণিপুরী লেঙ্গুএজ ডে ষ্টেট লেবেল সেলেব্রেসন কমিতিনা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গুএজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টসনগা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা ইং কুমজা ২০২১, ২০২২ অমসুং ২০২৩ গী মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর লান্থোকখি। থৌরম অদুদা দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গুএজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন্না পুথোকপা এদভান্স লার্নরস মণিপুরী দেক্সনারিসু ফোংখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়-মনিপুরগী মীয়ামনা লোল অমসুং কালা সংস্কৃত্তিদা য়ামা মরুওইনা লৌরিবা অসিবু শক খঙবীদুনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা অখন্নবা মীৎয়েং চংল্লকপদগী অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা মনিপুরি লোল চাউখৎহন্ননবা লুপা কোতি ১৮ কায়থোরকপনি। মনিপুরি লোল অসি ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজ অমা ওইবগী তঙাইফদবা মচাক মথুমশিং মতিক চানা লৈজে হায়রদুনা অথুবা মতমদা মনিপুরি লোলবু ক্লাসিকেল লেঙ্গৌইজকী থাক্তা লাক্লগনি হায়বগী থাজবসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা-শিক্ষা মন্ত্রি টি.ঐচ. বসন্তকুমার সিংহ, রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ সনাজাউবা লৈশেম্বা, হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন দিংগাংলুং গাংমৈনচিংবা শরুক য়াখি।

মনিপুরি লোল মীতৈ লোলনা ভারত সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবগী ৩৩ লকশুবা থৌরম ঙসি মীতৈ ইরোল ইয়েক লোইনশিল্লোল (মীলাল) না ঙসি ইম্ফালদা লৈবা লুপ অসিগী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মীলালগী প্রসিদেন্ট-খাইদেম ইমোচানা হায়-অসুক শাংলবা মতম অসিদা মনিপুরি লোলগী চাউখৎপগী খোংজেলদি মঙম শান্দ্রি। অদুমওইনমক, হন্দক্তা মনিপুরি লোলবু চাউখৎহন্নবা লুপা কোতি ১৮ কায়থোক্লে হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন অমদি রাজ্য সভাগী এম.পি. সনাজাউবা লৈশেম্বনা ফোংদোকখিবা অদু থাগৎনিংঙাইনি।

রাইটরস এসোসিয়েসন-ককচিংনসু মনিপুরি লোলগী পালন থৌরম ককচিং চুমনাংদা লৈবা রি-প্রজেন্টেটিবস ওফ লোইজকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

কংলৈপাক লোইনশিলোন অপুনবা মরুপ (কলম) নসু পালন থৌরম অসি ঙসি শিংজমৈ চিরোম লৈকাইদা লৈবা লুপ অসিগী ময়াই লোইশঙদা পাঙথোকখি।

মনিপুরি লোলগী নুমিৎ ঙসি পিছ এন্দ ফ্রিদম একাডমী-থৌবাল অমসুং প্রাইবেট স্কুল দিবলপমেন্ট কাউন্সিল মনিপুরনা শিনদুনা একাডমী অসিগী কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখি।

ৱাখল্লোন মান্নবা অপুনবা কংলৈপাকনসু মনিপুরি লোলগী পালন থৌরম ঙসি লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডতা পাঙথোকখি।

ত্রিপুরা সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ কোকবোরোক এন্দ আদর মাইনোরিতি লেঙ্গোইজনা শিনদুনা মনিপুরি লোলগী পালন থৌরম ঙসি অগরতালাগী মুক্তা ভারা ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখি।

অসাম অমসুং বঙ্গলাদেসনচিংবদা মনিপুরিশিংনা খুন্দাবা মফমশিংদসু ঙসি মনিপুরি লোলগী নুমিৎ পালন থৌরমশিং পাঙথোকখি।

**বিজেপি (এল) ঃ** কংগ্রেস পার্টিনা মনিপুরগী ৱাথোক অসি মখা শাংথদুনা অদুম্মক লৈননবা হোৎনদুনা লৈরে হায়না বি.জে.পিনা মরাল শিরি।

ইম্ফালগী থন্বাল শঙলেনদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা বি.জে.পিগী মচিন চৎপা মীশক অমসুং লমলাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ-কে.ঐচ. ইবোমচানা হায়-এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা গুৱাহাতিদা পাউমীশিংদা নোর্থ ইষ্ট ভিজন-২০৪৭ কী মতাংদা কেন্দ্রগী দোন্নর মন্ত্রি অমসুং প্রধান মন্ত্রিবু য়ামা চাউনা লান্না উহনবা য়াবা মওংদা ঙাংখিবশিং অদু লাইবক থিবনি। ভিজন দোকুমেন্ট অদু এন.ই.সিগী ওফিসিএলশিংনা দ্রাফট তৌবনি। মদুদা য়াওরিবা অশোয়বশিং হেক খঙলকপগা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা থা অসিগী তরেৎতা কেন্দ্রগী মরী লৈনবা মন্ত্রিদা চুমথোকবা খঙহনখি। মদুগী হেক নোংঙানবগা অশোয়বদু চুমথোক্লে হায়না খঙহল্লকখি।

**ময়োল (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতি ষ্টুদেনটস য়ুনিয়ন (মুশু) গী মহৈরোইশিংগী মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা অসি অফবা, অচুম্বা, মহৈরোইশিংগী লুচিংবা পুথোকবা, নিয়ম চুমা পাঙথোকপা মীখল ওইহন্নবা মরি লৈনবা য়ুনিভরসিতিগী ওথোরিতিশিং অমদি মহৈরোইশিংনা হোৎনমীন্নসি হায়না ময়োলনা আপিল তৌরি।

**নোং (এল)ঃ** মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফাল ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় লেপ্তুনা ৱাংখৎলক্লি। অদুমওইনমক খুদোংথিঙাই ওইবা থাক্তি য়ৌদ্রি। নোং অসিনা মরম ওইদুনা থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে হায়রি।

থৌবাল জিলাদসু মফম কয়াদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ইমায় লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। মফম খরদদি য়ুম, লৌ অমদি ঙাৱোক ফার্ম কয়া ঈশিং থুমজিল্লে।

ককচিং জিলাগী ঈচাওনা শোকহল্লবা খোইদুম ভিলেজতা ঙসি ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ব্রান্সকী মীহুৎশিংনা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা ঈচাওনা শোকহল্লবা ইমুং ৬০ রোমদা কাংখল অমদি হাইজিন কিটশিং য়েন্থোকখি।

মরক অসিদা মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-লাক্লিবা তাং ২৪ ফাওবা অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুখিগনি।

**নোনে (এল)ঃ** নোং লেপ্তুনা চুবদগী ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে ৩৭ কী মফম কয়াদা তোয়না চিং নিংখায়বগী থৌদোকশিং থোক্লি।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-অৱাং খুল ভিলেজকী মনাক্তা চিং নিংখায়বদগী গাড়ি ১০০ রোম পন্দুনা লৈরি। লম্বী শেম্বগী থবক তৌরিবা কন্সত্রক্সন কম্পানিনা চিং নিংখায়রিবা মফম অদু শেংদোকপগী থবক কন্না চথরি।

**উখ্রুল (এল)ঃ** ভেটিরিনারি এন্দ এন্যেমেল হসবেন্দরি মন্ত্রি-খাশিম বাশুমনা হায়রি-রাজ্য অসিগী চিংগী জিলাশিংদা ভেটিরিনারি ওফিসশিং লৈবগী কান্নবা মীয়ামদা নীংথিনা ফংহন্নবা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংনা কন্না হোৎনগদবনি।

উখ্রুল টাউন্দদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরম অমদা মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরগী ওইনা জিলা খুদিংমক্তা শা-ষন লায়েংবদা শিজিন্নবা মোবাইল ভেহিকল অনি-অনি পীরি। মীয়ামা শা-ষন নাবগা মরী লৈননা টোল ফ্রি নম্বর-১৯৬২ দা ফোন তৌদুনা মোবাইল ভেহিকলশিং অসিগী মতেং লৌবা য়াগনি। শা-ষনশিংগী দরকার লৈবা ভেক্সিনশিং ৱাৎহন্দনবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

মহাকা হায়-চিংগী লমদা ওক অমসুং য়েন অসি মপুং ওইনা য়ামা থৱায় য়াওনা য়োকৈ। হায়রিবা জিবশিং অসি অনা অয়েক য়াউরকপা মতমদা মনাক নকপদা লৈবা মরি লৈনবা ভেটিরিনারি ওফিসকী ওফিসিএলশিংনা মতেং পাংনবা আপিল তৌখি।

**রঞ্জন (এল)ঃ** হকশেল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী কিয়ামগৈদা লৈবা কোবিদ হোস্পিতালগী মচাক মথুমশিং য়েংশিনখ্রে। মফম অদুদা এম.বি.বি.এস. তন্নিবা চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজকী মহৈরোইশিংগা মন্ত্রিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মতম খরগী ওইনা এম.বি.বি.এস. মহৈরোইশিংবু মহৈ তন্নিবা হোস্পিতাল অসিগী অৱাৎ-অপাশিং মেনখৎনবা অথুবা মতমদা হোৎনরগনি হায়নসু মন্ত্রিনা থাজবা ফোংদোকখি।

মহৈরোইশিং অমদি মরি লৈনবা ষ্টাফশিংনা হেলথ দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংবীনবসু মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

**মেমোরেন্দম (এল)ঃ** আইন কায়না চংশিল্লকপা মীতোপ মীয়ানচাশিংদগী অৱাং নোংপোক লমদমগী য়েলহৌমীশিংবু কনবীনবা পিপলস এল্লাইয়েন্স ফোর পিছ এন্দ প্রোগ্রেস, মনিপুরনা প্রধান মন্ত্রি, গৃহ মন্ত্রি অমসুং মনিপুরগী মুখ্য মন্ত্রিদা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

**এমপিপি(এল) ঃ** মনিপুর পিপলস পার্টি (এম.পি.পি) না শিনদুনা ইম্ফালগী জেনিমস হোস্পিতালদা ঙসি লেমা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা পুন্না মীওই ৫০ না ঈ দান তৌখি।

দল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মীওইবগী খ্বাইদগী চাউবা খুদোল অসি ঐখোয়গী থৱায় কনবদা শিজিন্নরিবা ঈ দান তৌবনি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

লিয়াংমাহ্‌ নাগা কতিমাই রুৱাংদি-মনিপুরনা শিনদুনা ঙসি জেনিমস হোস্পিতালদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখ্রে। মদুদা মহৈরোই অমসুং নহারোল ১০০ রোমনা ঈ দান তৌখি হায়রি।

**য়া (এল) ঃ** হৈরোক পার্ট থ্রি লিতান ৱাংমা কম্ম্যুনিতি হোলদা ঙসি লেমা য়া লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। নিংঙোল ক্লব  অমসুং শিজ সিটি দেন্টেল হোস্পিতাল-কৈশামপাৎ য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোকপা কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ১০০ রোম লায়েংখি।

**জিরিবাম(এল)ঃ** জিরিবামদা গাড়ি মচা থৌবদা ক্বালিতি লৈবা হেলমেটশিং উপ নবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

নীংথিনা ক্বালিতি কন্ট্রোল তৌদবা হেলমেটশিং য়োন্দনবসু চেরোল অসিনা হায়রি।

**ফুলো(এল) ঃ** লাইনিংহল ইবুংঙো ফুলোগী ১৩৬ শুবা মপোক কুমওন নীংশিং থৌরম থা অসিগী ২৫ দা ৱাংখৈ থম্বালখোংদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসি মীতৈ মরুপ, মীতৈ লৈপাক-ৱাংখৈ থম্বালখোংনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবনি।

**রাসিয়াঃ** রাসিয়া অমদি য়ুক্রেন লৈবাক অনিগী হৌজিক লৈনরিবা লানগী ফিভম অসিনা মরম ওইরগা কুরসক রিজনগী মনুং চন্না লৈবা রাসিয়াগী ঙমখৈ জিলা ৯ দা লৈবা মীওই লাখ অমা লিশিং ২০ লোম শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে হায়না রাসিয়া সরকারনা ফোংদোকখ্রে।

হৌজিক য়ুক্রেনিয়ান ফোর্সনা রাসিয়া তমা অকনবা মওংদা লান চথরকপগা লোয়ননা লম কয়া লৌশিল্লকপদগী হায়রিবা মীয়াম অদু শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখিবনি। রাসিয়াগী ইমর্জেন্সি মিনিষ্ট্রিনা হায়-মী শাফগদবা

মফমশিংদা থংদোকপী থবক অসি হৌজিক ফাওবা চখুরি।

অমরোমদা, য়ুক্রেন সরকারনসু রাসিয়ানা লান কনশিল্লকপা অসিগী য়েংলগা পো ক্রোসক সহরদা লৈবা হমুং মনুংশিংদা অথুবা মতমদা সহর অদু থাদোক্কুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে। মসি রাসিয়াগী লান্মীশিংনা য়ুক্রেনগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা দোনেক্স রিজনদা অকনবা মওংদা লান্দারক্কুনা রিজন অদুদা লৈবা জালিসনে সহর খুদম চনখ্রবা মতুংদা য়ুক্রেনগী মীয়াম অদু অশোয় অঙাম থোক্তনবা সহর অদু থাদোক্কুনা চৎখিনবা খঙহনখিবনি।